মহৈরোয়শিংনা মহৈ তম্বা চৎননবগীদমক গাড়ী অতোংমল পীননবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবা অসিগী য়েংলগা মহৈরোয়শিংদগী ওটো রিক্সো অতোংমল লৌররোই হায়রিবা খাঙবোক্তগী থোকচোম অভিরামনা ফোঙদোকখিবা

সাউথ ইষ্ট এসিয়া কলচরেল ওর্গনাইজেসন (এস ঈ এ সী ও) জিরি মশা লোয়শঙনা শীন্দুনা মীতৈ কলচরগী মতাংদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ অমসুং রিফোর্মেসন ওফ এস ঈ এ সী ওগী থৌরম

লম্লাই এ সী পুন্বদা চথুখিবা থম্বাল কেম্পেনদা বি জে পিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা কে ঐচ ইবোমচানা লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা মীওই কয়া উনদুনা খঙহনখিবা

লায়ন্স ক্লব দিষ্ট্রিক্ট ৩২২দিগী দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণর লায়ন ডা. রিমা সর্মা বরুৱা এম জে এফনা লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল অমসুং লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল নোর্দন হেমিস্ফিয়রদা ওফিসল ভিজিট লাকখিবগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা থৌরম

মহৈরোয়শিংগী গাড়ী অতোংমল লৌররোই : টি ঐচ অভিরাম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): হিংননবগী লানফমদা খাঙবোক্তগী থৌবাল ফাওবা ওটো রিক্সো থৌদুনা লাম্হেংনরিবা থোকচোম অভিরামনা মহৈরোয়শিংনা তোংবদা অতোংমল লৌররোই হায়না ফোঙদোরক্লি।

ঙসি মহাক্কী পোক্লফম ওইরিবা খাঙবোক খুল্লাকপম লৈকায়দা লৈবা ইমা কিদসতা পাউমীশিংগা উনবা অমদা অভিরামনা মখা তারদুনা হায়, থাউগী মমল য়াম্না ৱাংখিবা মরম্না গাড়ী তোংবগী মমল অসি খঙৱাং ৱাংখৎখিবা অসিনা তুংগী য়ুম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা মহৈরোয়শিংনা স্কুল, কোলেজ চৎপদা অসুক্কী মতিক অৱাবা মায়োক্লরি। মমা-মপা ওইবশিংনসু মচাশিংবু মহৈ তম্বা চৎহন্নবগীদমক্তা গাড়ী অতোংমল হুন্নবা হোৎনবদা অসুক্কী মতিক অৱাবা মায়োক্লরি। মরম অসিদগী তুংগী মীরোল ওইরক্কদৌরিবা মহৈরোয়শিংনা মহৈ তম্বা চৎপদা অতোংমল লৈতবগী অৱাবশিং অদু মায়োক্লদনবা মহৈরোয়শিংগী অমদি মমা-মপা ওইরিবশিংগীদমক্তা কথোক্লগে হায়বা ফিরেপ অসি লৌখিবনি ফোঙদোকখি।

মহৈরোয় অমনা ফোঙদোরকপদা, কোভিদ লাইচৎনা মরম ওইরগা মতম শাংনা মহৈ তম্বা চৎপা ফংলক্ত্রবা তুংদা গাড়ী তোংবগী অতোংমল অসি খঙৱাং ৱাংখৎলকপা অসিনা মহৈরোয়শিংদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। অদুবু ঙসি মখোয়গীদমক লেম্না ওটো রিক্সো সর্ভিস তৌবীরগনি হায়না পুবীবা অসি য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি। অতোপ্পা গাড়ী সর্ভিস তৌবীরিবশিংনসু মহৈরোয়শিংগী অতোংমল অসি কথোকপীয়ু হায়না আপীল তৌরক্লি।

লাইফমশিং শিৎ শেংখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ১৩দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী শেংলবা লাইফমশিংদা চৎতুনা লাই খুরুম্বা অমসুং লাইনিংশিংগী লুচিংবশিং উনগদৌরিবা থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্টনা লৈবাক অসিগী দিষ্ট্রিক্ট অমসুং মন্দলশিংনসু মাগী মাগী এরিয়াদা লাই খুরুম্বা অমসুং লাইনিংশিংগী লুচিংবশিং উনহনগদৌরি। থৌরম অসিগী মাঙওইননা লাক্লিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লী মীখলদা থৌবাল এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিদা বি জে পিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা কোন্সম মাইকেলনা শীন্দুনা ঙসি থৌবাল এ সীগী মনুংদা লৈবা লাইফমশিংদা লম-তু শিৎ শেংবগী থৌরম অমা বি জে পিগী থৌমীশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে।

পাখংবা দ্রামা

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): লাক্লিবা কুমজা ২০২২গী ফেব্রুৱারী ১দগী ৬ ফাওবা পাখংবা ঠিএটর ঙাইরাংবমনা পাখংবা দ্রামা কম্পিটিসন পাঙথোক্কদৌরি। মসিদা মণিপুরদা লৈরিবা ঠিএটর গ্রুপশিংনা শরুক য়াবীয়ু। শরুক য়াবীনিংবা গ্রুপশিংনা কুমজা ২০২২গী জন্যুৱারী ১০ ফাওবগী মনুংদা পাখংবা ঠিএটরগী ওফিসতা নৎত্রগা মোবাইল নম্বর ৮০১৪৯৬৮৪৭৯ অমসুং ৯৬১২৮০৮৪৪০দা পাউ ফাওরকপা য়াগনি হায়নসু পাখংবা ঠিএটরগী সেক্রেটরি কে কেপ্টেননা থাদোরকপা চেরোলনা ফোঙদোরক্লি।

থম্বাল কেম্প্যেন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): বি জে পি লম্লাই মন্দলগী মখাদা শেমখিবা থম্বাল কেম্প্যেন কম্মিটিনা শীন্দুনা শওম্বুংদগী হৌদুনা লম্লাই এ সী শিনবা থুংনা থম্বাল কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট এন নিম্বস, লম্লাই এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা কে ঐচ ইবোমচা, বি জে পি লম্লাইগী প্রসিদেন্ট ঈ অমিটকুমার, বি জে পি মহিলা মোর্চা লম্লাইগী প্রসিদেন্ট এ যামিনি, তখেল জি পিগী প্রধান এম নিংথেম অমসুং শওম্বুং জি পিগী প্রধান এন ধনেশ্বরনচিংবা শরুক য়াখি। তুংদা শরুক য়াখিবশিংনা নোংপোক সঞ্জেনবমদা মীফম অমসু পাঙথোকখি হায়রি।

লমদমসিগী নুপীশিংদা অহেনবা থৌনা লাকপা ওইরসনু : অমুকো

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): নুপীলাল নুমীৎ দিসেম্বর ১২না লাকপদা লমদমসিগী নুপীশিংদা অহেনবা থৌনা অমা লাকপা ওইরসনু হায়না ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)না য়াইফ-পাউজেল পীরক্লি।

অমুকোগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি লাইশ্রম কৃষ্ণচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরীশিংনা ইরৈপাক্কী নীংতম্বা ঙাকপগী অকনবা লান বৃটিশকা শোক্লরম্লবা মতুং কুমজা ১৮৯১দা মায়থীবা ফংখি। মতম শাংনা মনিং তম্না লাকখিবা ইরমদম মণিপুরনা বৃটিশকী মখুৎতা মায়থীখিবা অমদি মণিপুরগী অথৌবা কয়াবু লোই থাখিবা, মঙক্তা থৌরী থুদুনা হাৎখিবগী মৈচাক কোক্লিঙৈদা বৃটিশনা অমুক্কসু মণিপুরগী নুপা কয়াবু বৃটিশ ওফিসল অনীগী বঙ্গলো মৈ থাই হায়বগী মরালদা কবো তম্পাক্তগী উ য়াল্লগা নৌনা শাহন্ননবা হোৎনরকখিবা অদুনা হান্নদগী খোয়শাউনরবা মণিপুরীশিংদা মরুওইনা মণিপুরগী নুপীশিংদা অনৌবা মৈচাক অমা খঙপী পীখি। মদুদগী মণিপুরী নুপীশিংদা মহৌশাদগী লোয়নজরকপা মরৈবাক, মপুরোইবা, মবুং-মৌপ্পা নীংজবগী মতিক ময়াইশিং অদু খঙহৌদনা কুমজা ১৯০৪গী জুলাই ৬তা শাফোঙখিবনি। মদুবু মণিপুরীশিংনা অহানবা নুপীলাল হায়না খঙনরিবনি। অহানবা নুপীলাল অসি য়াম্না মুন্না অমদি কুপ্না নৈনরবদি কুমজা ১৮৯১গী এঙ্গলো মণিপুরী ৱারদা বৃটিশনা তৌখিবা শাথিবা লীচৎশিং অদুগী লমন খুন্বা মখল অমনি হায়না লৌবা য়াই। মদুগী মতুং চহী ৩৫ রোম বৃটিশ লৈঙাক্কী মখাদা মণিপুরীশিংনা নীংবা কায়না লৈরক্লবা মতুংদা মথং-মথং হোংলকখিবা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগীদমক লৈবাক কয়ানা মীচঙ চুংশিন্নদুনা লানগীদমক ফি শেম্নরকপা মতম অমসু ওইখি। জপানিজশিংনা বর্মা (ম্যান্মার) রোমদগী ইন্দিয়ারোমদা এট্রেক তৌরক্কনি হায়বগী চিংনবা লৈবা মতমনি। বৃটিশ লান্মীশিংনা চাজগদবা চীঙ্গাক মরুওইনা চাক অদু পুক খাংবা (থুনা তুমদবা চেঙ) পান্নরকখি। মসিদা মণিপুরদা অচৌবা মপানগী লল্লোনবশিংনা মমল হেন্না পীদুনা লৌমীশিংদগী ফৌ ৱান্দুনা নীংথিনা তকথোক্লগা মণিপুরগী মপান্দা লেপ্তুনা থাদোকখি। মরম অদুনা মণিপুরগী লৌরোক পান্থা ওইরিবা পোইনুগী মতমদা চেঙগী মমল কা হেন্না ৱাংখৎখিবগা লোয়ননা চেঙ ফংলক্তবগী ৱাথোক অমা লাকপদগী মণিপুরগী থৌনা ফরবী ইমা কয়ানা বৃটিশ অমদি মতমদুগী নিংথৌগী মায়োক্তা মীশি-মীনা য়াওবা অকনবা ঈহৌ অমা হৌরকপদগী কুমজা ১৯৩৯গী দিসেম্বর ১২দা অনীশুবা নুপীলাল থোকখিবনি।

বৃটিশনা মণিপুর লৌশিনখ্রবা মতুং ইকুই কুইদনা মণিপুরদা মরৱারি লল্লোনবশিংগী থবক খুন্মাং চাওশিনবা হৌখ্রবনি। কুমজা ১৮৯৪গী মতমদা অনুপচান্দ লালচান্দ কৌবা মরৱারি অমনা মণিপুরদগী চেঙ মোন ৪,৭০০ মুক কোহিমাদা লৈবা মিলিটরি পুলিসতা সপ্লায় তৌখি। মহাক্না চেঙ মোন অমদা লুপা ৮ মমল লৌদুনা সপ্লায় তৌখি। মতমদুদা ইম্ফালদা চেঙ মোন অমদা লুপা ১গা অনা মরি ওইরম্মী। পোৎ পুবগী ভারাদি ইম্ফালদগী দিমাপুর য়ৌবদা মোন অমদা লুপা ১গা অনা ৮ ওইরম্মী। মতমদুদগী হৌনা মণিপুরদা মরৱারি লল্লোনবশিংনা লৌমীশিংদা ফৌদমশেল থাদবা হৌখ্রবনি। শম্না হায়রবদা মণিপুরগী মীয়ামগী পুকচাক্তা লান্দাবা হৌখিবসি অহানবা নুপীলাল থোক্লিঙৈদেগী অদুম মনুংদা হৌখ্রবনি।

মণিপুরদা অহানবা নুপীলাল থোকপা মতম হায়বদি কুমজা ১৯০৪-০৫দা ইম্ফাল বাজারদা দুকান ৩৬ লৈবগী মনুংদা মরৱারি দুকান ২৯ ওইদুনা মপুং ওইবা লল্লোন-ইতিক্কী থবক মরৱারিশিংনা পায়শিন্দুনা লাকখিবনি। অনীশুবা নুপীলাল থোক্লমদাইগী মতমদা হায়বদি কুমজা ১৯৩৭-৩৮তা ইম্ফাল বাজারদা মরৱারি লল্লোনবা হিন্দু জেনগী অপূনবা দুকান মশীং ৫০ রোম ওইখিবনি অমদি কষ্টুরিচান্দ সেরাওগীনা সিনেমা হোল অমসু লিংখৎখিবনি। অসুম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী ঐখোয়গী পুকচাক অমসুং কৈথেলদা মীতোপশিংনা লান্দাদুনা লাকখিবনি। মতম চানা চেকশিন থৌরাং পায়খৎহৌদবনা ঐখোয়না খুদোংথিবা কয়া মায়োক্লরক্লিবনি। মরম অদুনা হৌজিক মীতোপশিংনা ঐখোয়বু লাঙ্গোয় চনশিল্লক্লিবা অসিদসু অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা থবক তৌমিন্নরসি। মণিপুরগী অনীশুবা নুপীলাল মতুংদা ঐখোয়না ফংলিবসি অনীশুবা লাঞ্জাওগী অকিবগী মশক অমা, অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতুং মতম খরা লৈরগা নীংতম্বা ফংবগী নুংঙাইবা অমা অমদি নীংতম্লবা মতুং চহী ২ রোম লৈরগা অমুক নৌনা ইন্দিয়াগী মখাদা নমদুনা পুনশিনখিবা হায়রিবা থৌদোক অহুম অসিনি। ইন্দিয়াদা পুনশিনখ্রবা মতুংদদি মণিপুরীশিংগী হিংজনবগী রাইটতা অমুক লান্দারকপা হৌরকখি।

বৃটিশকী মতমদা লৈরম্বা আর্মদ ফোর্সেস পৱার ওর্দিনান্স মান্নবা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱার্স এক্ট ১৯৫৮ অসি ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক্তা চলাইরি। মদুগী চৈথেংনা মণিপুরীশিংনা খ্বাইদগী হেন্না ফংদুনা লাক্লি। মীওইবগী থৱায়, নুপীগী ঈকায়খুম্নবা অমদি মীওইবগী ঈনা মচিঙ্গাক ওইবা অফস্পা অসিগী মরুমদা মণিপুরগী মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙখিবা, শোয়নাইখিবা অমদি নুপী কয়াগী ঈকায়খুম্নবা মাঙহন্দুনা লাকখিবা অদুগী মায়োক্তা মণিপুরগী মীয়াম্না মরুওইনা নুপীশিংনা অকনবা ঈহৌ কয়া চথুদুনা লাকখিবা অদুনা লমদমসিদা অহুমশুবা নুপীলাল অমগী লম্বী শেম্বা হৌখ্রবনি। মরম অদুনা অকনবা অহুমশুবা নুপীলাল অমা থোকহন্দনবা লৈঙাকপশিংনা মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবা ফীভমশিং অসি মুন্না খন্নবীবগা লোয়ননা থবক তৌবীয়ু। মণিপুরগী নুপীশিংবু হন্থনা অমদি লায়না য়েংবগী লীচৎতু পোলিটিসিয়নশিংনা থাদোক্কদবনি, ইলেক্সনগী খুৎলায় ওইনসু শীজিন্নরোইদবনি অমদি মণিপুরগী নুপীশিংবু মীতোপশিংনা উশিৎলোইদবা থৌওং অমত্তা তৌরোইদবনি। মরম অসিনা দিসেম্বর ১২ নুপীলাল নুমীৎনা লাকপদা লমদমসিগী নুপীশিংদা অহেনবা থৌনা অমা লাকপা ওইরসনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

লৌমীশিংনা হীরম কয়াদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরি : দেবেন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদা লৈরিবা লৌমীশিং অসি মশা-মশাগী ওইনা লৌ লৈজবা লৌমী অমত্তা নত্তে। মসিনা মরম ওইরগা লৌমীশিংনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পীরিবা ফর্টিলাইজরশিং লৌননবা লৌগী পাট্টা পুথোকপা ঙমদবনা মরম ওইরগা মতম-মতমগী মতুংইন্না মথৌ তাবা ফর্টিলাইজরশিং লৌননবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরি হায়না এম পি সী সীগী কো-ওপ্টেদ মেম্বর অচোইবম দেবেননা ফোঙদোরক্লি।

ৱাফম অসি লম্লাই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা চলৌ, লম্লাই, নাপেৎ অমদি পুংদোংবম উয়ুংমখোঙদা লৈবা অহল ওইরবা অমদি নৌনা মপুরোইবা কায়নখ্রবীশিংদা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী কো-ওপ্টেদ মেম্বর অচোইবম দেবেনগী মায়কৈদগী মহাক্কী অপোকপী অচোইবম ওংবী ইবেমহলগী মিংদা লিশাং শিংনা থা অমগী তারিখ ১০ খূদিংগী পেন্সন য়েন্থোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, ষ্টেট অসিগী ওইনা য়েংলুবদা লৌমীশিং অসি লৌ শান্দুনা নৎত্রগা চহীগী ওইনা ৱাইদুনা উরগা চহী চহী অদুগী ওইনা লৌসাল পীবগী ফীভমদা হিংবা ঙাক্তনি। মসিনা মরম ওইরগা লৌমীশিংনা লৌ উবদা মথৌ তারিবা মতম-মতমগী ওইবা ফর্টিলাইজর লৌননবা নৎত্রগা ফংননবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া থেংনরি। মসি মপুং ওইনা লৌমীশিংনা ফর্টিলাইজর লৌবদা লৌগী পাট্টা য়াওনা শক্তাকচে পীবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থোকপা ওর্দরগী মতুংইন্ননি। মরম অসিনা হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক অমদি মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙদুনা লৌমী খূদিংদা মতম-মতমগী মথৌ তাবা ফর্টিলাইজরশিং ফংহন্ননবা মতিক চাবা থবক লৌখৎহন্নিংই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুনা লম্লাই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা চলৌ, নাপেৎ, লম্লাই অমদি পুংদোংবম উয়ুংমখোঙদা লৈবা লৈঙাক্লা পীবা পেন্সন ফংদ্রবশিংদা লুপা ২০০/২০০ অমসুং মপুরোইবা কায়নখ্রবীশিংদা লুপা ৪০০/৪০০ পেন্সন ওইনা মীওই ৪২০দা য়েন্থোকখি।

মণিপুরদগী অফস্পা লৌথোক্কদবনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্না অথুবদা মণিপুরদগী অফস্পা লৌথোক্কদবনি হায়না মণিপুর প্রদেশ তৃণমুল কোংগ্রেস কম্মিটিনা তকশিল্লক্লি।

মণিপুর প্রদেশ তৃণমুল কোংগ্রেস কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি এম দি অবির খাননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরদা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱার্স এক্ট (অফস্পা) ১৯৫৮ মতম শাংনা থল্লকপগী চপ চাবা পন্থুং অসি করিনো। চাউখৎপা লম্বী অমা পুরক্লবরা নৎত্রগা মীচম মীয়াম হাৎনবরা, ঙসি ফাওবদা মণিপুর অমসুং নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংদা থল্লিবা অফস্পানা চাউখৎপগী মমিদি কয়া শান্না উদে। অদুগা মীচম কয়া শিবা অমদি হাৎতোকপীখিবগী মীকপ-মীরাওখোলদি অদুম্মক লেপ্পা লৈতনা তারি। চীফ মিনিষ্টরনা মণিপুর অসি ঈং তপ্লে হায়দুনা লাউরি। অদুবু অফস্পা লৌথোকপা ঙমদ্রিবা অসিনা মীয়ামদা করি হায়রি হায়বদু মীয়াম্না খন্থবা মতম ওইরে। মণিপুরদা লৈঙাক পায়মিন্নরিবা পোলিটিকেল পায়মিন্নরিবশিংনসু মীয়ামদা ওনশিন্দুনা লৈঙাক পায়রগদি অফস্পা লৌথোক্কনি হায়না লাউরি। হৌজিক লৈঙাক পায়মিন্নরিবা পোলিটিকেল পার্টি মশেল ফম্মিন্নরগা থম্মোয় শেংনা মণিপুরদগী অফস্পা লৌথোক্লবা ৱাফম অমত্তা খন্নদ্রি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

নহাশিংগী ইলেক্সন কম্মিটি শেমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): লাক্লিবা এসেমব্লী মীখলদা খুন্দ্রাকপম এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা কৈথেল্লাকপম রোনেলগী মীখলগা মরী লৈননা নহারোলশিংগী ওইবা ইলেক্সন কম্মিটি অমা শেমখ্রে।

খুন্দ্রাকপম এ সী অসিগী তোঙান তোঙানবা পোল্লিং বুথশিংদগী লাকপা নহা ৫০০ হেনবনা পৌরাবি লাইনিংথৌ পুথিবা কম্যুনিটি হোলদা মীফম অমা ফল্লবা মতুংদা কম্মিটি অদু শেমখিবনি। থৌরম অদুদা শওম্বুংগী ৱার্দ মেম্বর ওইরম্বা কৈশাম খেলেন, পৌরাবিদগী নান্দৈবম নিলমনি অমসুং কোন্সম চিংলেননা দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা শরুক য়াবা লাকখিবা নহাশিংনা লাক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সনদা বি জে পিগী টিকেটতা মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা কে রোনেলবু শৌগৎতুনা মায় পাক্লনবা কন্না হোৎনননবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখি। লোয়ননা এ সী অসিদা মতিক চাবা মীহুৎ লৈত্রবগুম অতোপ্পা এ সীদগী লাকপা মীওই কয়ানা ভোট লেপ্পনবা চঙশিন্নরক্লিবা অমদি এ সী অসিগী মীহুৎনা ওপোজিসন্দা মখা তানা লৈরবদি করম্বা ফীভমদা লাক্কনি হায়না কুপ্না খন্নখিবগা লোয়ননা রোনেলগী ইলেক্সন কেম্প্যেনসু হৌরগনি হায়রি।

ডা. মাইবম ইতীনদা এৱার্দ পীরক্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): ন্যু দেল্লীগী পঞ্চশীল আশ্রমদা ঙসি পাঙথোকখিবা ভারতিয়া দলিট সাহিত্য একাদেমীগী ৩৭শুবা নেসনল দলিট রাইটর্স কনফরেন্সগী থৌরমদা মণিপুরদগী সোসল এক্টিভিষ্ট ডা. মাইবম ইতীন মৈতৈদা ডা. অম্বেদকর দিষ্টিংগ্যুইজ সর্ভিস নেসনল এৱার্দ ২০২১ পীদুনা ঈকায়খুম্নখ্রে।

থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায় মখা লৈকায়দগী সোসল এক্টিভিষ্ট ডা. মাইবম ইতীন মৈতৈনা শাংলবা চহী কয়াগী মমাঙদগী লমদমসিগী কনা লৈজদ্রবা শোথরবা, তোল্ল-তারবা কয়াগীদমক মতেং পাংলকপা কয়া অদুবু শকখঙদুনা নেসনল এৱার্দ অসি দলিট সাহিত্য একাদেমীনা ঙসি খুৎশিন্নরকখিবনি।

এৱার্দ খুৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ডা. সত্যনারানি জাতিয়া, গভর্ণমেন্ট ওফ নেপালগী য়ুথ এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর এস ঐচ মহেশ্বর জং গহটরাজ অথক অমদি হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর এস ঐচ সঙ্গপ্রিয়া গৌতমনচিংবা শক্লাইরবা মীওই কয়ানা ফম্বাক্তা লেংশিনখি। নীংশিংবা য়াই, ডা. মাইবম ইতীন মৈতৈ মমাঙদা তোঙান তোঙানবা এৱার্দ কয়া ফংলকখ্রবা মীয়ামগী থৌগল্লোয় অমনি।

দ্রগ গ্রাম ৪৩৭ ফারে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): ঙরাং নুংথিল পুং ৫.৩৬ রোম তাবদা নার্কোটিক্স এফেয়র্স ওফ বোর্দর পুলিসনা শুগুনু বাজার মনাক্তা অচৎ-অওক চেক তৌবদা মীওই অনী হিরোইন পাউদর গ্রাম ৪৩৭কা কোন্ননা ফারে। ফারবা মীওই অদুদি চক্পীকারোং সব-দিভিজনগী মনুং চনবা লিংনৈচিন হাওকিপ (৩৫), মপুরোইবা থাঙ্গালেট হাওকিপ অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা বি এম জাংনোম খুলদগী লেলেন হাওকিপ (৪০) অপোকপা লৈখিদ্রবা অথেং হাওকিপ কৌই। মখোয় অনী দ্রগকা কোন্ননা ফারবা মতুংদা থা অসিগী ১৮ ফাওবা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌথখ্রে হায়রি।

দেক্লেমেসন কন্টেষ্ট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): রিপব্লিক দে ২০২০গী থৌরমগী শরুক অমা ওইনা নেহরু য়ুব কেন্দ্র ইম্ফাল ৱেষ্টনা দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী এন এস এস য়ুনিট ৱান অমসুং টুগা খুৎশম্নদুনা সবকা সাট, সবকা বিকাশ, সবকা বিশ্বা, সবকা প্রয়াস হায়বা থীমদা পেট্রিওটিজম অমসুং নেসন বিল্ডিংগী ওইবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল দেক্লেমেসন কন্টেষ্ট ঙরাং দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী সেন্ট্রল হোলদা পাঙথোকখ্রে হায়না নেহরু য়ুব কেন্দ্র ইম্ফাল ৱেষ্টকী দেপ্যুটি দিরেক্টর/ও এস দি, এল মার্জিৎকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, দেক্লেমেসন কন্টেষ্ট অদুদা দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী প্রিন্সিপাল ডা. এম ভুবনেশ্বরি, এন ৱাই কে ইম্ফালগী দেপ্যুটি দিরেক্টর অমসুং এন এস এস য়ুনিট ৱানগী পি ও ডা. টি ঐচ রবিকান্ত অমসুং এন এস এস য়ুনিট টুগী পি ও, এল ইবোমচা মৈতৈনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী নহা ৮না শরুক য়াখিবা কন্টেষ্ট অদুদা কৈশামথোং মোইরাং নিংথৌ লৈরক্তগী চিংখৈঙানবী কৈথেল্লাকপমনা অহানবা, লাঙ্গোল নেমস কোলোনিদগী মেরি কামৈনা অনীশুবা অমসুং ৱাবগাই অৱাং লৈকায়দগী য়ুম্নাম আইসোরিয়ানা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। লাক্লিবা দিসেম্বর ১৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট লেভেল কম্পিটিসন্দনা চিংখৈঙানবী কৈথেল্লাকপমনা ইম্ফাল ৱেষ্ট রিপ্রজেন্ট তৌগনি। দিষ্ট্রিক্ট লেভেলগী থাক্তা পাঙথোকপা কন্টেষ্ট অসিগী অহানবা মনাদা লুপা লিশিং ৫, অনীশুবা মনাদা লুপা লিশিং ২ অমসুং অহুমশুবা মনাদা লুপা ১০০০ পীগনি। ষ্টেট লেভেলদগীনা অহানবা মনাদা লুপা লিশিং ২৫, অনীশুবা মনাদা লুপা লিশিং ১০ অমসুং অহুমশুবা মনাদা লুপা লিশিং ৫ পীগনি। মকোক মথং তারবশিংনা লাক্লিবা জন্যুৱারী ২০২২দা ন্যু দেল্লীদা পাঙথোক্কদবা নেসনল লেভেল কম্পিটিসনদা শরুক য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণরনা ভিজিট তৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): লায়ন্স ক্লব দিষ্ট্রিক্ট ৩২২দিগী দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণর লায়ন ডা. রিমা সর্মা বারুৱা, এম জে এফনা লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল অমসুং লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল নোর্দন হেমিস্ফিয়রদা ওফিসল ভিজিট তৌখ্রে হায়না লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফালগী মার্কেটিং এন্দ কম্যুনিকেসনগী থৌ পুরিবা লায়ন মানস মাইস্নামনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, সঙাইপ্রৌদা লৈবা লায়ন্স সর্ভিস সেন্টরদা পাঙথোকখিবা দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণরগী ভিজিটেসন থৌরম অদুদা পাষ্ট দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণরশিং ওইরিবা লায়ন টি সত্যপ্রিয়া, লায়ন ঐচ মনিকুমার অমসুং লায়ন এম গোজেন্দ্রো য়াওনা লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল অমসুং লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফালগী নোর্দন হেমিস্ফিয়রগী প্রসিদেন্ট, সেক্রেটরি অমদি মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি। দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণরনসু লায়ন্স ক্লবনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি।

মীতৈ কলচরগী ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): সাউথ ইষ্ট এসিয়া কলচরেল ওর্গনাইজেসন (এস ঈ এ সী ও) জিরি মশা লোয়শঙনা শীন্দুনা লল্লেন অতিংবী (হিল ঘার্দ) কম্যুনিটি হোলদা ঙসি মীতৈ কলচরগী মতাংদা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ অমসুং রিফোর্মেসন ওফ এস ঈ এ সী ওগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না এস ঈ এ সী ও জিরিবাম ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরি জেনরেল শগোলশেম শরত মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অদুদা মণিপুর ফুদ ইন্দষ্ট্রিজ কোর্পোরেসন লিমিটেদকী ভাইস চ্যেরমেননা কে শরতনা চীফ গেষ্ট, এস ঈ এ সী ওগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট সনবম অমুচৌ মঙাংনা প্রসিদেন্ট, জিরিবামগী রিটায়র্দ দি আই (স্কুল) ওইনাম ব্রজমনিনা স্পেসল গেষ্ট ওফ ওনর, এস ঈ এ সী ওগী এদভাইজর অখাম লাঙ্গোল মীতৈ, সেক্রেটরি জেনরেল ইরেংবম ইন্দ্রজিৎ, অপূনবা কৈথেল শিনাইবী লূপ কংলৈপাক্কী প্রসিদেন্ট খম্নাম সুভাপতিনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এস ঈ এ সী ও জিরিবাম ব্রাঞ্চকী নৌনা থৌ পুগদবশিংসু খনখ্রে। নৌনা থৌ পুরগদবশিং অদুদি লৈফ্রাকপম নিলা মোইরাংচানা প্রসিদেন্ট, কোইজম বাবুধোন লুৱাংনা ভাইস প্রসিদেন্ট, য়াম্বেম নব খুমনচানা ৱার্কিং প্রসিদেন্ট, শগোলশেম শরত মঙাংনা সেক্রেটরি জেনরেল, লৈমপোকপম পুন্সিবা মঙাংনা এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি জেনরেল, কোংখাম ইবোচৌবা মীতৈনা ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি, সোইবম চাওবা মোইরাংচানা ত্রেজরর, চোংথাম বোচা খাঙানবা অমসুং ফাঞ্জৌবম বিমোল মীতৈনা ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরিনি। অদুগা ৱার্কিং ৱিমেন সেক্রেটরিনা সোইবম ওংবী রেনুবালা অমসুং ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরিনা য়াম্বেম ওংবী রোমানি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

নীংথম মরূ-মরাং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): মোংশাঙ্গৈ মখা লৈকায়দা লৈবা বি জে পি কিষান মোর্চাগী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা ইন্টরনেসনল এৱার্দী মুতুম দিনেশ্বরগী য়ুমদা লৈখিদ্রবা মহাক্কী অপোকপা মুতুম গৌরোনা পামজরম্বা লৌমী-শিন্মীশিংবু নুংশি-চান্ননা লোয়নজরম্বা, অঙম্বা মতেং পাংলম্বা, মশামকসু লৌমী অমা ওইনা পোথোক মরাং কায়না পুথোক্লবা, মীপাল তাঙদবা, মীখা পোন্দনবা হোৎনজরম্ববু নীংশিংদুনা লৌমী ইচিল-ইনাওশিংনা মতম চানা চাথোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙম্লনবা নীংথম মরূ-মরাংশিং হায়বদি হৱাই মঙ্গল (অমেরিকান-পি), হঙ্গাম মরূ, চুজাক মরূ, কোবী মরূ, থবী মরূ, ভেলেন্দ্রি মরূ, আলুনচিংবা য়েন্থোকখ্রে হায়না বি জে পি কিষান মোর্চা মণিপুর প্রদেশকী সেক্রেটরি অমসুং মীদিয়া কনভেনর ঐচ রতননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অদুগা মরী লৈননা মুতুম দিনেশ্বরনা হায়খি, মদুদি বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লাকপদগী চীং-তম নুংশি-চান্নবা, ৱাত্ত-পাদবা, ঈং-তপ্পা মণিপুর অমা ওইরকপা ঙস্লে। লাক্লিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লী মীখলদসু মীয়াম্নসু বি জে পিবু নুংশিবীদুনা অমদি প্রাইম মিনিষ্টর মোদিবু থাজবীদুনা এ সী/এ সীশিংদা বি জে পিগী টিকেট ফংলকপা ভোট পীবীদুনা নুংঙাই য়াইফবা, ৱাত্ত-পাদবা ইরমদম মণিপুর অমা ওইহনসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা বি জে পি ও বি সী মোর্চাগী ট্রেজরর এন মোমোন, নাওরিয়া পাখংলাকপা মন্দলগী এক্স-প্রসিদেন্ট জি বিনোয় শর্ম্মা, বি জে পি ২১/২১ বুথকী এক্স-প্রসিদেন্ট এস সনামচা, এস দব্লিয়ু ৱাই সীগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ হেরাচান্দ, বি জে পি কিষান মোর্চা নাওরিয়া পাখংলাকপা মন্দলগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ অচৌ, বি জে পি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী সেক্রেটরি ৱাই কিরনকুমার, নোংলাইকাং ট্রান্সপোর্ট য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি টি ঐচ ব্রোজেন মৈতৈ অমদি দিষ্ট্রিক্ট কয়াদগী লাকপা লৌমীশিংনা শরুক য়াখি হায়রি।

কে কে এ আই এলগী মপোক নুমীৎ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): ককচিং কৈথেল অপূনবা ইমা লূপ (কে কে এ আই এল) লিংখৎখিবগী মপোক নুমীৎকী অহুম্লকশুবা নীংশিং থৌরম ঙসি ককচিং কৈথেল মনাক্তা লৈবা কৃষ্ণচন্দ্র মান্দপতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নার খুমন্থেম দাইনা, ককচিং কৈথেল অপূনবা ইমা লূপকী পাওতাক্লোই নোংমাইথেম ভৈগ্যপতি, মচা চনু ককচিংগী প্রসিদেন্ট ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনি অমসুং ককচিং বাজার বিজিনেস ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর মোইরাংথেম পিশকনা থৌরম মপুশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ককচিং কৈথেল লাইরেম্বীদা অথেনপোৎ কৎতুনা অমদি ককচিং কৈথেলদা লৈবা ইরাবত পার্কতা উ পাম্বী খুদোল তৌদুনা হৌদোকখিবা থৌরম অদুগী অয়ুক্কী থৌরমদা কৈথেল ফম্বী ইমাশিংগী ওইবা লমজেল অমা ককচিং পুলিসকী এদিসনল এস পি (ওপস) কে এস ঐচ মনিহার অমসুং মণিপুরগী শক্লাইরবা শৈশকপা অমদি ফিল্ম ষ্টার হামোম সদানন্দনা লমথাদুনা পাঙথোকখি লোয়ননা তোঙান তোঙানবা চাংদম্নবগী মশান্না কয়াসু পাঙথোক্তুনা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনাসু লান্থোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা খুমন্থেম দাইনানা ফোঙদোকখিবদা, ককচিং হায়রিবা লমদম অসি থোইদোক হেন্দোক্লা শীংথানরিবা মণিপুরগী মনুংদা লৈবা লমদম অমনি। ককচিং লমদম অসিগী মৌ অমা ওইবা ফংজদুনা ঙসিদি ককচিং লমদম অসিগী চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎলকপদসু শরুক য়াবা ফংজরগনি খনবদা হেন্না হরাওবা অমদি নুংঙাইবা ফাওজৈ। মণিপুরগী ইমা ওইবী কয়ানা কৈথেলদা পোৎ-চৈ য়োন দুনা ইমুং মনুং পুননবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাং ঐখোয় মচা-মশু ওইবশিংনা থাগৎফম থোকই। ইমাশিংনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা কৈথেলগী শিনফম অসি হেন্না চাউখৎনবা হোৎনমিন্নসি হায়বা ৱাফমসু থমখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা মচা চনু কৈথেলগী প্রসিদেন্ট ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনিনা হায়খি, ককচিং কৈথেল অসি ককচিংগা খুল্লোন্নরিবা খুঞ্জা ১২গী হিংননবগী চাক্তাফম অমা ওইদুনা মতম শাংনা লাক্লি। কৈথেলগী ইমা ইবেলশিংনা মাগী মাগী ইমুংগী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা লৌরিবা থৌদাংশিং নুপাদগী তাবা লৈতে। ইমুং মনুংগী শেল-থুমগী ফীভম ফগৎনবা অমদি মচা-মশুশিং মী অমমম ওইনবা হোৎনবদা নুপীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। ককচিং কৈথেল হেন্না চাউখৎনবা হোৎনমিন্নসি হায়বনচিংবা ৱাফমশিংসু থমখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা কে কে এ আই এলগী ফাউন্দর এম প্রবিননা লূপ অসি শাফোঙলকপগী মরমদা শুগায়না থমখি। ককচিং কৈথেল অপূনবা ইমা লূপ অসিবু হৌদোকপীরম্বী লৈখিদ্রবী ইমা মোইরাংথেম সনাগী ফোটোদা ইমাশিংনা অমদি থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়াম্না লৈ কৎতুনা ঈকায়খুম্নবসু উৎখি।

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College, Imphal
ADMISSION OPEN
FOUNDATION cum REVISION COURSE for
CLASS - X, XI & XII Sc. (COHSEM)
Class commencement : 6th December 2021 (Time : 4:00 pm - 7:30 pm)
Warmly Welcome HSLCE 2020 Position Holders & Received Book Grant.

Special features :
- Chapterwise Test Series .
- We provide printed probable questions and answers.
- Hostel for Boys &Girls.
- Van Service available

Form available at 'SANGAI HOSTEL' Kwakeithel Ningthemkol Opp. Tiddim Ground
For more details pliz. contact #8413855751 / 9862712287

HL-P/0799/1-15/12